# থবক শীজিন্নবা ষণ লাবশিং শেন্নবা

- ডো. সরাংথেম জেস্মারানি -

থবক শীজিন্নবা ষণ লাবশিং শেন্নবসি ইঞ্জিন পানবা গাড়ীশিং শেন্নবগা চপ মান্নে। মসিদা থাও হাপ্লগা শীজিন্নবা (মচিঞ্জাক অমদি ঈশিং পীথকপা), ইঞ্জিনগী কোকথোঙ হেঞ্জিনবা (ষণগী ফিজিওলোজিকেল মেকানিজম), তীং লাউনা শীজিন্নবা (চেকশিন্না শেন্নবীবা), মসিমক্না শারমচৎ চৎপশিংদগী অফবা কয়া অমা পুথোকহনবা ঙমহল্লি।

ষণ লাবশিংসি মশাগী মপাঙ্গলসি লৌউ-শিংউ তৌবদা হায়বদি শম্পোৎ খোইবা, উকাই তকপদা, লৌ লোকপদা, ঈশিং চিংখৎপদা, মী অমদি পোৎ পুথোক পুশিন তৌবদা শীজিন্নরি। লমদম অসিদা চাদা ৪৩গী মথক্তা ষণশিংসি থবক তৌনবা শীজিন্নরি।

**ষণ লাবশিংনা থবক তৌবা ঙম্বগী চাং :** ষণ লাবা অনী ষণগাড়ী চিংদুনা পুবদা পুং অমদা কিলোমিটর ৪-৫ ফাওবা চৎপা ঙম্মী। য়াম্না কা হেন্না থুনা চৎহন্দ্রগদি নোংমদা কিলোমিটর ২৫-৩০ ফাওবা চৎপা ঙম্মী। নোংমদা মখোয়না চৎপা ঙম্বগী চাংসি লৈরিবা অঙৗং অশাগী ফীভম, মখোয়দা শীজিন্নরিবা ইক্বিপমেন্টশিং, শাবন লাকপা পোৎলমশিং অমদি মখোয়বু পুদুনা চৎলিবা মপূদুগী মখা য়াম্না পোল্লি। মতম পূম্নমক্তা ষণ লাবশিং অকনবা থবকশিং হায়বদি লৌ খোইবা, অরূম্বা পোৎ পুথোক পুশিন তৌবা তারগদি নোংমদা পুং ৩দগী হেন্না শীজিন্নবীরোইদবনি। খরা ৱাদবা নৎত্রগা য়াংবা থবকশিং শীজিন্নবীগে হায়রগদি হায়রিবা পুং ৫দগী খরা হেনবা ফাওবা শীজিন্নবা য়াই।

থবক শীজিন্নগদবা ষণশিংসি মশা-মউ ফবা, নীংথিনা শাংবা অমদি ৱাংবা ওইগনি অমদি চৎপা মতমদসু মশা য়াঙনা অমদি ৱাদনা চৎপা ঙমগনি। ষণশিংসি য়াম্না ঈং-তপ্পা, শাওগন্দবা ওইগদবনি।

**চহী কয়াদগী ষণ লাবশিং থবক শীজিন্নবা হৌগনি :** লমদমদুদা হান্নদগী লৈজরল্লবা ষণ লাবশিং মখোয়না চহী ৪ হেক শুরগদি থবক শীজিন্নবা য়ারে। ক্রোস ব্রিদ ওইরগনা হায়রিবা মতমসিদগী ঙন্না শীজিন্নবা য়াই। চহী নৌরিবা ষণ লাবশিং ঙন্না থবক খক শীজিন্নবীরোইদবনি। মরমদি হকচাংগী শরূশিং চহী নৌরিবনিনা কনশিন্দ্রি। ঙন্না থবক শূহল্লগদি ষণশিংদু চাউদম থিনগল্লি। ষণ লাবশিংদা লাঙ্গোল হাপ্তুনা চহী নৌনা থবক শূহল্লগদি লাঙ্গোল মফম তাদুনা কুইনা শূবা ঙমদে। মসিনা অনাবা অমা ওইহল্লি। করিগুম্বা চহী লীরবা ষণ লাবশিংদুসু লাঙ্গোল হাপ্তুনা থবক শীজিন্নবা তন্বীবদা ৱানা থোকই। তন্বীরগসু তুং কোয়না চৎতে। ষণ লাবশিং থবক ওইনা শীজিন্নবা থন্বীগে হায়রগদি মখোয়না চহী ১-২ মখায় শুরকপদা মশা শেমদোকপীগনি। মশা শেমদোকপসু য়াম্না লাই। কেসট্রেটর কৌবা খূৎলায় অমা শীজিন্নরগা শেমগনি। মসি মনাক নকপা ভেটিরিনরি ডাক্তরশিংগা তানবীরগা মশা শেমদোকপীবা য়াই। খরা অমনা মশা শেমদোল্লগদি চাউদম থিল্লি হায়নৈ। মসি অরানবনি। মশা শেমদোল্লগদি চাউদম কল্লি, ঈং-তপ্পী, শাথীদে, মশা-মউ ফৈ, তুপ-তুপ লাওগনবা ওই।

**থবক শীজিন্ননবা ষণ লাবা খনবা :** ষণ লাবশিং চাওরি মতিক থবক য়াম্না শূবা ঙম্মী। শোন্দম্নবা ষণ ওইরগদি কা হেন্না শাংনা শূবা ঙমদে। থবক শীজিন্নবা ষণ খনবা মতমদা মখোঙ মরিমক অশোয়-অঙাম য়াওরোইদবনি। ষণ লাবশিংগী মরূম য়াম্না তাশিনবা, চাউবা ওইগনি। মনিং লেভেল অমদা লৈগনি। মখোঙ মরিমক তেক কায়দবা মতোং মত্রং-মত্রং কাবা/কনবা, শরূগী অশোয় অঙাম য়াওদবা ওইগনি। ষণগী লোংখুমসু মুবা, কনবা ব্যাক্সি ওইবা, লোংখুম অনীগী মরক্তু য়াম্না লাউবা ওইরোইদবনি। খুকউগী শরূ চাওথোকপা, চৎপা ঙমদবগী অৱাবা লৈব্রা হায়বদু য়েংশিনবীগনি। ষণগী মঙকসু করিগুম্বা মখলগী অপোম্বা অমত্তা লৈরোইদবনি। ষণ লাবশিংদু পোৎ পুবা ঙম্বা ওইগনি। লেপ্পা মতমদা মকোক হাইগৎনা লৈবা, থবক তৌবা মতমদা মমৈ ৱাংখৎনা লৈবা উগনি। মসিনা তাক্লিবসি ষণশিংদু য়াম্না মীৎ-না শিংবা, মশা মউ খিংবা অমদি চেকশিনবগী মওং উৎপনি।

থবক তৌনবা ষণ পাবোট অমা শেম্বা মতমদা ষণ লাবা অনীমক চাও-শাংবা মান্নগনি, ইং তপ্পা ওইগনি। করিগুম্বা অমনা অমদগী চাওবা মান্নদ্রগদি লাঙ্গোল হাপ্পা মতমদা চপ চানা ফীভম তানা হাপ্পা ঙমদে। অসিগুম্বা ষণ লাবা অনীমক চাও শাংবা মান্নদ্রগদি খ্বাইদগী চাওবদুনা পোৎলুম অয়াম্বা পুই। মসিদা অচৌবা ষণদা অৱাবা অমা ওইহল্লি অমদি মতিং হুৎনা থবক তৌবা ঙমদে।

**ষণশিং তাকপী-তন্বীবা :** মতম চঙনা ষণ লাবশিং থবক শীজিন্নবা তন্বীবদা অরেম্বদা মাঙদে। তাকপী তন্বীদ্রি মমাঙ থা ১-২ ৱাৎলিঙৈদা ষণগী মনাতোন্দা মখুল হুৎতুনা নাতোন্দা থৌরি থিংজিন্নবা শেন্বীগনি। অহানবদা ষণ লাবসি ষণবুনা পুথোক্তুনা মাগা মত চান্নবা হোৎনবীগনি। তাকপী তন্বীগদৌরিবা মীদু য়াম্না ঈং-তপ্পা অমা ওইগনি। ষণগী মশা য়াম্না তোয়না নানবীদুনা মরক মরক্তা মচিঞ্জাক মখূৎতা হাপ্লগা খরা খরা চাবা তন্বীগনি। মসিদসু নত্তনা শজিকসু মরক মরক্তা পীজবীগনি। তাকপী তন্বীগদৌরিবা ষণ লাবদুদা তন্বীগদৌরিবা মপুদুনা তাথী তাওই তৌবীরোইদবনি অমদি ফূ চৈবসু তৌবীরোইদবনি। ষণ লাবশিংদু মপুদুনা তুং কোয়না লোয়নহনগদৌবা মরম্না মপুনসু মরুপকুম্না নীংথিনা শেন্নবীগনি।

অনীশুবদা ষণ লাবশিংদু লাঙ্গোল হাপ্পা তন্বীগনি। লাঙ্গোল হাপ্পা মতমদা ষণ অনীমক্তা হাপ্লগা ষণ লাবা অনীমক হান্না লৈরম্বা সাইটতা লৈহনগনি হায়বদি ষণ লাবদু লাঙ্গোল হাপ্লগা ওইরোমদা লৈরগদি ওইরোমদা অদুমক লৈহনগনি। অদুগা য়েৎলোমদা লৈবদুনা মতম পূম্নমক্তা অদুমক লৈগনি। ষণ অনীমক্না লাঙ্গোল হাপ্লগা চৎপা ঙম্লগদি পোৎশিং য়াম্লবদা কেজি ৭৫ মুক্কী পোৎ লাঙ্গোলগী ময়ায়দা থম্লগা থৌরিনা চিংবা তন্বীগনি। মসিগী মওংসিদা হৈনরগদি মপূনা কম্মান্দ তৌবা খুদিংমক হায়বদি লেপ্পু, চৎলু, চেল্লু, য়েৎতা লৈবা, ওইদা চৎপা, চুম্না চৎপা খুদিংমক তন্বীবা য়ারে। মসিগীদমক্তা মশীং য়াম্না চপ মান্ননা তৌহন্দুনা কম্মান্দ তৌবা খুদিংমক মতুং ইন্নবা হোৎনরক্কনি।

**ষণশিং পীজ-পীথক তৌবা অমদি শেন্নবীবা :** শীজিন্নবগী মতুং ইন্না মচিঞ্জাকসু হেন্না অমদি খরা হন্থনা পীজবীগনি। কা হেন্না থবক শীজিন্নবা মতম হায়বদি লৌউ-শিংউগী মতমদদি হেন্না পীজবীবা মথৌ তাই। পীজবিবা মতমদা মফোনগী শরুক্না খরা হেন্না পীজবীবা মথৌ তাই। শজিক ঙাক্তা পীজবীবগী ৱাখল ষণবুনা থাদোকপীগনি। মশা-মউ ফনা থম্নবা অমদি লূ-নান্না থম্নবা ষণবুনা ষণগী মশাশিং তকথোকপীগনি। মশা শেংদোকপা মতমদসু থবক হৌরবা মতুং নৎত্রগা হৌদ্রিঙৈ চরু খুবাম অমা পায়বিদুনা মশাদু তকথোকপীগনি।

য়াম্না শাবা মতমদা ষণশিংদু থবক শূহনবীরোইদবনি। কালেনগী মতমদদি অয়ূক পুং ৫-১০ ফাওবা অমদি নুংথিলগী মতমদনা পুং ৩-৬ ফাওবা শীজিন্নবীগনি। পুং ২ সুরবা মতুংদা ঙাইহাক অমুক ষণশিংদু পোখাহনবীগনি। পোখাবা মতমদসু উরুম লাংবা মফমদা থন্বীদুনা ঈশিং মরাং কায়না পীথকপীগনি। কা হেন্না ষণশিংদু থবক শূহনবীরোইদবনি। মসিনা লুম্বা হন্থহনবদা নত্তনা মশাদসু অশোয় অঙাম য়াওরকই। মফম খরদদি থবক তৌদ্রিঙৈদা ষণগী লোংখুমদা খোঙউপ উপ্পী। মসিনা খোঙ শোকপগী চাং হন্থে। হায়রিবা খোঙউপশিংদু থা ২-৩ লৈরগা অমুক অমুক শীল্লি।

অসুম্না নীংথিনা ষণবুশিংনা ষণশিংদু শেন্নবীরগদি তুং কোয়না থবক শীজিন্নবদা নুংঙাইনা শীজিন্নবা অমদি ষণশিংদা অনা অয়েক অমদি খুদোংথীবা কয়াদগী ঙাকথোকপা ঙমহল্লি। ●

# বৈগ্যানিক ওইবা মওংদা ঙা য়োকপা

ডো: য়ূম্নাম বেদজিৎ

অৱাং নোংপোক ইন্দিয়াদা য়োক্নরিবা ঙা মখলশিং অসি কার্প হায়রগা খঙনবা ঙা মখলশিং অসিনি। মসিদসু মপান লমদগী পুশিল্লকপা কার্প হায়বদি গ্রাস কার্প, শিলভর কার্প অমদি পুকলাওবী অসিনচিংবা অমদি ঐখোয়গী লৈবাক্তা মহৈশাদগী লৈরল্লবা কার্প হায়বদি রৌ, কটলা, ম্রিগল অসিনচিংবনি। হায়রিবা ঙাশিং অসি পূন্না য়োকমিন্নবা য়াবা ঙাশিংনি হায়বদি অমনা অমদা অকায়বা পীনদে।

মথক্তা পনখ্রিবা ঙাশিং অসিদসু পুখ্রিগী মথক থংবা শরুক্তা চাবা ঙা, ময়ায় থংবা শরুক্তা চাবা ঙা অমদি পুখ্রিগী মখা থংবা শরুক্তা চাবা ঙা মখলশিং খাইদোকপা য়াই অমদি মখোয়শিং অসি পূন্না য়োকমিন্নবা মতমদা পুখ্রিগী মফম খুদিংমক শীজিন্নদুনা য়াম্না কান্নবা পী। করিগুম্বা পুখ্রি অমদা মথক্তা চাবা ঙাখক্তমক য়োক্লবদি পুখ্রিগী ময়ায় থংবা অমদি মখা থংবা শরুক্তু অরেম্বদা মাঙদুনা লৈ। মফমশিং অসিদা ফংলিবা ঙাগী মচিঞ্জাকশিং অরেম্বদা মাঙই। মরম অদুনা ঙা য়োকপা মতমদা মথক্তা চাবা ঙা, ময়ায়থংবদা চাবা ঙা অমদি মখা থংবা শরুক্তা চাবা ঙা মখল শুনা য়োকপীগদবনি। তৌইগুম্বসুং চানবা চাংদা হায়বদি মথক থংবা শরুক্তা চাবা ঙানা চাদা কুন্থ্রা, ময়ায় থংবা শরুক্তা চাবা ঙানা চাদা কুন্থ্রা অদুগা পুখ্রিগী মখা থংবা শরুক্তা চাবা ঙানা চাদা নিফু নিফু ওইহনগদবনি।

মতাং অসিদা খঙবীগদবা অমনা ঐখোয়গী লৈবাক্তা হান্নদগী লৈরল্লবা ঙাশিং হায়বদি কটলা অসি পুখ্রিগী মথক থংবা শরুক্তা লৈবা হৈনবা ঙা মখল অমনি। রৌ হায়রিবা ঙা অসিনা পুখ্রিগী ময়ায় থংবা শরুক্তা লৈবা হৈনবা ঙানি অমদি ম্রিগল অসিনা পুখ্রিগী মখা থংবা শরুক্তা লৈবা হৈনবা ঙা মখল অমনি। হায়রিবা ঙাশিং অসি য়োক্লবদি পুখ্রিগী মফম খুদিংমক ফজনা শীজিন্নরগনি। তৌইগুম্বসুং হায়রিবা ঙাশিং অসি অইংবা মতমদা চাওজল থিগনি অমদি লায়না-তীলনা কয়া নারকপগী খুদোংচাদবা থেংনগনি। মরম অদুনা মপান্দগী পুশিল্লকপা ঙাশিং হায়বদি শিলভর কার্প হায়রিবা ঙা অসিসু পুখ্রিগী মথক থংবা শরুক্তা চাবা হৈনবা ঙা মখল অমনি। গ্রাস কার্প হায়রিবা ঙা মখল অসি পুখ্রিগী ময়ায় থংবা শরুক্তা লৈবা হৈনবা ঙা মখল অমনি অমদি পুকলাওবী হায়রিবা ঙা মখল অসিনা পুখ্রিগী মখা থংবা শরুক্তা লৈবা হৈনবা ঙা মখল অমনি।

মথক্তা পনখ্রিবা ঙা মখল তরুক অসি অমনা অমদা অকায়বা পীনদে অমদি শিলভর কার্পকা কটলাগা মচিঞ্জাক মান্নদে, রৌগা নাপীচাবীগসু মচিঞ্জাক মান্নদে। অসুম্না ম্রিগলগা পুকলাওবীগসু মচিঞ্জাক মান্নদে। মরমশিং অসি লৈবনা মথক্তা পনখ্রিবা ঙাশিং অসি পুখ্রি অমদা পূন্না য়োকমিন্নবদা অসুক্কী মতিক কান্নে।

ঙা য়োকপা মতমদা ঐখোয়না তৌগদৌরিবা থৌওংশিংগী মতুং ইন্না য়োক্কদৌরিবা ঙাগী মশীংসু খেন্নে। তৌইগুম্বসুং অৱাং নোংপোক ভারতকী ওইনা পরি অমা চাউবা পুখ্রি অমদা য়োক্কদবা ঙাগী মশীংসি চাওরাক্না লিশীং তরানি। হায়রিবা মশীং অসি ময়াম্না হৌজিক হৌজিক য়োক্নরিবা ঙা য়োকপগী মওং অসিগী মতুং ইন্ননি। ঙাগী ঙাথোক হেনগৎহন্নবগীদমক মখাগী থৌরাংশিং অসি পায়খৎপীগদবনি।

**১. মফম খনবা ঃ** ফোলি ওইবা লৈবাক অমদি লৈহাও লৈবা মফম ওইগদবনি। চহী চুপ্পা ঈশিং ফংবা মফম অমদি মিটর অনীদগী হেন্না লুদবা পুখ্রি ওইগদবনি।

**২. পুখ্রি শেম্বা ঃ** ক) পুখ্রিশিংদুগী অকোয়বদা লৈপল থোনগৎতুনা শেমগদবনি। খ) পুখ্রি মনুংদা ফত্ত-হৌদিশিংগী মরোন থানা লৈহল্লোইদবনি। গ) পুখ্রি অদু নুংশা নিংথিনা ফংহনগদবনি। ঘ) ঈশিংদা হৌবা নাপীশিং শেংদোকপীগদবনি। ঙ) হান্না লৈরম্বা ঙাশিং খুদম ওইনা হায়রবদা ঙামু, পোরোমনচিংবা লৈহল্লোইদবনি। মসিগীদমক ঈশিং কংহনবা নৎত্রগা ব্লেচিং পাওদর কিলোগ্রাম ৩৫০ পরি অমদা শীজিন্নবা য়াই।

**৩. শুনু চাইবা ঃ** শুনু কিলোগ্রাম ২০০-৩০০ চহী অমদা পরি অমা চাউবা পুখ্রিদা চাইবীগদবনি।

**৪) হার চাইবা ঃ** ক) শুনু চাইরবা মতুং নুমিৎ ৭-৮ নি লৈরগা হার চাইবগী/হাপ্পগী থবক তৌবা য়ারে। খ) মতম খরা খরা কান্নরগা পূন্না পরিগী চাংদা শন্থি কিলোগ্রাম ১০,০০০-১৫,০০০; য়ুরিয়া কিলোগ্রাম ২৫০; সিঙ্গল সুপর ফোসফেৎ কিলোগ্রাম ৩৫০ চহী অমদা হাপ্পীগনি। গ) মথক্কী অপূনবা হারগী শরুক অমদি ঙা থাদগদবা নুমিৎ ৭ নি ৱাৎলিঙৈদা হাপকদবনি। ঘ) লেমহৌরিবা হারশিং অদু চয়োল অমা নৎত্রগা অনী কান্ননা চাং মান্ননা হাপকদবনি।

**৫ ) ঙা মচা পুখ্রিদা থাদবা ঃ** ক) ঙা মচাশিং থাদদ্রিঙৈদা পুখ্রি অদুগী ঈশিংগী অফ-ফত্ত য়েংহৌগদবনি। মসি য়েংনবগী অরাইবা থৌওংদি পাত্র অমদা পুখ্রিদুগী ঈশিং খরা হাপ্লগা ঙা মচা খরা পুং ২৪ চুপ্পা থমগদবনি। মদুদা ঙানা মশা ফনা হিংবা ঙম্লবদি পুখ্রিদুদা ঙা মচাশিং থাদবা য়ারে। খ) ঙা থাদবা মতমদি অয়ূক নৎত্রগা নুমিদাংৱাইরম ওইগদবনি। নুংশা শাবা, অকনবা নুংশিৎ শিৎপা মতমদা থাদরোইদবনি। গ) ঙা থাদদ্রিঙৈ ঙা মচা পুরিবা পাত্র/চেরং খাও অদুগী ঈশিংগা ঙা থাদগদৌরিবা পুখ্রি অদুগী ঈশিংগা অঙৗং অশাগী চাং মান্ননবা, ঙা মচা পুরিবা পাত্র অদু পুখ্রিদুদা মিনিট ১০-২০ তাওহন্দুনা থন্বীগদবনি।

**৬) ঙাগী মচিঞ্জাক থাবা ঃ** পুখ্রি অদুদা লৈরিবা অপূনবা ঙাগী অরুম্বগী চাদা অহুম নোংমগী মচিঞ্জাক ওইনা পীজগদবনি।

**৭) ঙা ফাবা ঃ** খুদোংচাবগী মতুং ইন্না ঙাশিংদু থা ১০ দগী চহী ১ গী মনুংদা ফাবা য়াই। চাং নাইনা অচৌবা ঙাশিং ফাদোক্তুনা অতৈ অপীকপা ঙাশিংদু চাওখৎহন্নবগী মফম ফংহনগদবনি।

মথক্তা পনখ্রিবা থৌওংশিং অসি শীজিন্নদুনা ঙ্গগী ঙাথোক হেনগৎহনবা ঙমগনি। মতাং অসিদা পঞ্জনীংবা খরদি শুনু হাপ্পগী খুদোংচাবা লৈত্রবদি ফত্ত-হৌদি মৈ থারবা মতুংদা লেমহৌবা উৎ ওইনা হাপ্পসু য়াই। তৌবতবু উৎ শীজিন্নবীবা তারবদি মথক্তা পনজখ্রিবা শুনুগী চাংদগী শরুক অহুমলোম শীজিন্নগদবনি। অফবা মখলগী ঙাশিং খুদম ওইনা হায়রবদা জয়েন্তি রোহু, অমুর কার্পনচিংবা ঙাশিং ওইনা য়োকপীগদবনি। গ্রাস কার্প য়োকপনা ম্রিগল অমদি কমন কার্পকী অহেনবা মচিঞ্জাক পী হায়বসি অহেনবা কান্নবা পীদুনা ঙাগী ঙাথোক হেনগৎহল্লি। পুখ্রিদা উশা-ৱাশা থাদবা নৎত্রগা য়ুংবীবনা ঙাগী চাউবগী চাং চাদা ১৫ ফাওবা হেনগৎহনবা ঙম্মী। নাপী চাবী য়োকপদা ম্রিগল অমদি পুকলাওবীগী অহেনবা মচিঞ্জাক পীদুনা য়াম্না কান্নবা পী।

ঙা য়োকপগী শিনফমদা নুপাখক্তা নত্তনা নুপীশিংসু য়াওশিনবীদুনা অমদি ঙামীশিংগী ট্রেনিং পাঙথোকপদা নুপীশিংসু শরুক য়াবীদুনা লমদম অসিগী ঙাগী ঙাথোক হেনগৎহনবদা অচৌবা থৌদাং লৌমিন্নরসি। ●

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৭১

১) **''লাই হরাউবগী ৱাখল্লোন পরীং''** হায়বা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো?

২) **''খুদোল্লে''** হায়না মীংথোনবা লাইরিক অসি কনানা ইবনো অমসুং করম্বা মখলগী লাইরিকনো?

৩) **''ৱাধরিং হাইটস''** হায়বা লাইরিক অসিগী ওরিজিনেল অইবা অদু কনানো অমদি মণিপুরীদা কনানা ট্রান্সলেসন তৌবগে?

৪) **''লাইয়েকপা/য়েকলি লাইয়েকপা কনানা/মাগী মাগী কেনভাষ্টা/ফজ ফজবা লাইয়েক/ঐসু য়েক্কে কেনভাসসিদা/নীংতম্বা ইমাগী শক্তম/শান্তিতবু পামজবা ঐনি''** শৈরেং মতেক অসি মণিপুরগী মপানগী অইবা অমগী শৈরেং লাইরিক্তগী লৌথোরকপনি, অইবা অসি কনানো অমসুং মহাক্কী শৈরেং লাইরিক্কী মমিং করি কৌবগে?

৫) **''অশিবা হুরানবা''** হায়বা লাইরিক অসি করম্বা মখলগী লাইরিকনো অমসুং অইবসি কনানো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম ওগষ্ট ১৫, লৈবাকপোকপা নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল ***hueiyenliteraryquiz@gmail.com*** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়নননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

*হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৭০কী অচুম্বা পাউখুম থাবীরকখিবদি*

***১) অনন্দকুমার খুঞ্জাময়ূম, তাওথোং অয়ুংবা ময়ায় লৈকায় - (১,৩,৫)***

*হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ- ৭০গী ৱিন্নর*

***অনন্দকুমার খুঞ্জাময়ূম, তাওথোং অয়ুংবা ময়ায় লৈকায়***

**লিটরেরি ক্যুইজ ৭০গী শেলগী মনা অসি ৱিন্নর ওইরবা মীওই অসিগী বেঙ্ক একাউন্টতা ওইনা হাপচিঞ্জরগনি।**

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৬৯গী পাউখুম

১) **''খন্থ খন্থরুরগা নুংঙাইরকপা''** হায়বা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো?
**:- অইবা- মাইবম নবকিশোর সিংহ, ফর্ষ্ট এদিসন : ৩০ সেপ্টেম্বর, ২০২২।**

২) **''য়ুরাংফম''** (২০১১) হায়না মীংথোনবা লাইরিক অসিগী ওরিজিনেল অদু কনানা ইবনো অমসুং মণিপুরীদা কনানা হন্দোকপগে? **:- ওরিজিনেল লাইরিক্কী মমিং - মধুশালা, অইবা - হরিবঁস ৱাই বচ্চন, মণিপুরীগী হন্দোক্লোই : সোইবমচা ইন্দ্রকুমার**

৩) **''লন্থী অমদা''** হায়রিবা লাইরিক অসি করম্বা মখলগী লাইরিকনো অমসুং কনানা ইবনো? **:-লাইরিক্কী মখল - নোভেল, অইবা - এম দেবলা দেবী, ফোঙবা : তাং ২৬ কালেন, ২০০২ ইং (বুদ্ধ পুর্ণিমা)।**

৪) **''হে ইমা পোক্লফম লমদম ও/পলেম-পোকপী পলেম ও/য়েংঙমদেনে নঙগী ৱারবা নতৌ/উঙমদেনে নীংবা কায়রবা শক্তম/''** শৈরেং মতেক অসি মণিপুর মপানগী অইবা অমগী লাইরিক্তগী লৌথোরকপনি, অইবা অসি কনানো অমসুং মহাক্কী করম্বা লাইরিক্তগী লৌথোরকপা শৈরেং মতেকনো? **:- অইবা - খাইদেম জপান, লাইরিক্কী মমিং - বরাক তুরেল ইমা, লৌথোরক্লিবা শৈরেং - খোঙচৎসিনা লেপত্রবদা, অহানবা ফোঙবা : ২০১১ ইং।**

৫) **''নোংথাঙনা মুৎখ্রবদা''** হায়বা লাইরিক অসি কনানা ইবনো অমসুং করম্বা মখলগী লাইরিকনো? **:-অইবা - দেবচান্দ, লাইরিক্কী মখল - ৱারীমচাশিংগী খোমজিনবা, অহানবা ফোঙবা: ২০০৬।**

# নোংমদা পোকপা মচানা অনীরক শিবা হৌনবরা! (২)

**(ইন্দিয়া লৈঙাক্না য়েলহৌমী মীতৈ কম্যুনিটিবু নুংশিবা ঙমদে, বাংলাদেশ, ম্যান্মারদগী তান্থোরকপা রিফ্যুজি কেম্পতা লৈয়ু য়াদবা পোপি থাদুনা শেন্দোং য়াম্না তান্দুনা অফবা মখলগী খূৎলায় লৈরিবা শেল পায়বা, কুকি এক্সত্রিমিষ্টশিংগী মতেং পাংদুনা লৈরি)**

সৌবাম বিরধ্বজ

ঐখোয় ঐখোয়গী অহল লমনশিংনা মতম অমদা লম চাওনা চাওনা থন্বীরল্লিবনি। মচিল মনাও পূন্না পূন্না লৈমিন্নরম্বা ঙাক্তনি মদুসু কোন্থোং অমগী মনুংদনি। মচিল মনাওগী লম তোঙান তোঙান্নরকই, কোন্থোং তোঙান তোঙান্নরকই। মদুদগী অমুক মচাশিং অমুক মথং-মথং য়ূম পান্নরক্তুনা কোন্থোং অমগী মনুংদা লৈমিন্নরম্বশিং পীল্লা পীল্লবা লম মচেৎ মচেৎ শেত্তোক্নরি। মনুং থংবদা ফংহৌবা লম অদুগী থোকফম লন্থী পীদবসু য়ারক্তে। মহাক্কী লন্থী পীয়ু, গাড়ী থৌজিনফম পীয়ু হায়না তাল্লকপসি মহাক্তুগী হকনি। লন্থী পীদবা য়ারক্ত্রবা তানফম মথন্তা য়ৌরক্কনি, য়ান্নরক্ত্রবদি পোকমিন্নবা মচিল মনাও ওইজরবসু থাঙ-তেন শোয়দনা পায়নরক্কনি। কোন্থোংগী/লন্থীগীদমক, ইমু-নাইমু তান্নদ্রিঙৈ মমা অমত্তনা পোল্লিবা মচাশিংগী মরক্তা গ্যান তাবা নৎত্রগা শেন্থোক লন্থী খরা ফজনা লৈবদুনা শোয়দনা অফবা ফজরবা থৌরাং পূম্নমক্না য়ান্নবা অমদি শোয়দনা য়াৎলক্কনি। মচিল মনাও পূম্নমক্না য়ান্নরগদৌবা নিতি-নিয়ম অমা পুথোল্লগা খন্নরক্কনি। হৌজিক অমুক ঐগী ঐগী পীল্লবা য়ূম ইখ্থোল অদুগী কোন্থোংগীদমক পোকমিন্নবা মচিল মনাওশিং ইমু-নাইমু তান্নরমগদৌবদগী য়ান্নদুনা শন্তাইনদুনা পূম্নমক্কী কোন্থোং/লন্থী ফংনরে।

ঐ ঐগী কোন্থোংদা ইনিং তম্না চৎপগুম মণিপুরদা লৈরিবা তম্পাক লমদমগী কোন্থোংদি নেসনল হায়ৱে অনী অসি ওইফম থোক্তবরা? নেসনল হায়ৱে হায়সি লৈমিন্নরিবা মণিপুরগী কম্যুনিতি ৩৫/৩৬ অসিগী চৎননবা নেসনল হায়ৱেনি। মণিপুরগী অপূনবা কম্যুনিতি ৩৫/৩৬ অসিগী মনুংদা কম্যুনিতি খরা পুনশিল্লগা নাগা ফুরুপ ওইরগা, কম্যুনিতি খরগী অপূনবা কুকি ফুরুপ ওইরিবনি। ফুরুপ পূম্নমক্না চৎনরিবা নেসনল হায়ৱেনি, ফুরুপ পূম্নমক্কীনি, মসিবু কম্যুনিতি খরনা মখোয়না তৌনীংবতা তৌবদা য়াদনবা খূৎলায় পায়দুনা অঙকপা ফংলবা লান্দাদা লান থেংনগদৌবনি, য়াদে হায়বসি খঙহনগদৌবনি। মসিগীদমক থৱায় থাদোকপা কিরোইদবনি, তুংগী মীরোলগীদমক খন্দুনা। ঐখোয় খাঙবা য়াবা খাঙখ্রে মণিপুর লৈঙাক অমসুং ইন্দিয়া লৈঙাক্না হায়ৱে অনীসিবু ঙাকপী শেন্নবীদ্রবনিনা কম্যুনিতি পূম্নমক্না য়ান্নরগদৌবা (য়ানা ৱারোল) মণিপুর লৈঙাক অমসুং ইন্দিয়া লৈঙাক্না এসেমল্লি অমসুং পার্লিয়ামেন্টতা নৌহৌননা খন্ন-নৈনদুনা (য়ানা ৱারোল হেক পুথোকত্রিবা ফাওবা/নেসনল হায়ৱে প্রোটেক্সন ফোর্স চপ চানা থমদ্রিবা ফাওবা)। ঐখোয়গী কম্যুনিতি লান থেংনগদৌবনি। ধরনা ফম্বা/সিট ইন প্রোটেষ্ট তৌবা/মৈরাগী রেল্লি চৎপা খক্তনা কান্নররোই, য়াররোই। ঐখোয়না শান্তি শান্তি লাওবনা খক ওইররোই। হায়ৱে অনীদা অঙকপা ফংনা লান থেংনদুনা ঐখোয়গী হায়ৱে অনী অসি ফ্রি এন্দ ফ্যেরদা থাদোক্কদবনি হায়বা লানথেংগা লোয়ননা অকনবা লান তৌনরগদৌবা মতমনি, থেংমল্লবনি। শান্তি শান্তি লাওদুনা (পূক্লিং ফাথবীয়ু হায়না লাওবীরগনু) লৈঙাক্না ঙমদ্রবনিনা ঐখোয় মৈতৈ কম্যুনিতিনা মৈতৈ প্রজাশিং লোইনমক শিদ্রিফাওবা থেংনফম থোক্লে। ফম কোন্দুনা লৈবিরগনু, ফম কোন্নবগী মতম য়াম্না হেল্লবনি।

নুমিৎ ৭৭নি মৌনি-বর্ত্তগুম (ৱা-মচেৎ অমত্তা ঙাঙলক্ত্রবা ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টরনা) পার্লিয়ামেন্ট ফল্লমদাইগী অহানবা নুমিৎতগী ৱা ঙাঙখ্রে। মদুসু মীয়াম মমাঙদা মফি থোংদ্রবা নুপী অনী কোইপু পুবগী য়াম্না তমথীনা ইকায়নীংঙাই ওইরবা ভিদিও পিকচর অমনা ভাইরেল ওইরকপদগী, খংপ্রেক খংহল্লকপদগী ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টরনা ৱা ঙাঙলকখিবনি। পার্লিয়ামেন্টকী ওপোজিসনদা লৈরিবা পার্টি কয়ামরুম্না মণিপুরগী মরমদা হান্না খন্নদ্রিবমখৈ অতৈ বিজিনেস অমত্তা পায়খৎপা য়ারোই হায়রদুনা মীফমদু মখা চত্থবা ঙমখিদ্রবনি। লোক সভা অমসুং রাজ্য সভা অনীমক্তা হঞ্জিন হঞ্জিন চরাংনরকপদগী এদজোর্ন কয়ারক তৌরবা মতুং কাইনথংদা থা অসিগী ২৪ ফাওবা য়েথোক্লে হায়না পার্লিয়ামেন্টকী স্পিকরনা/চ্যেরমেননা লাওথোকখিবনি। পার্লিয়ামেন্ট ফল্লমদ্রবদি প্রাইম মিনিষ্টরনা ৱা শুঙাঙ ঙাঙদনা কম্যুনিতি অনীনা তমথীনা হাৎনরিবসিদা কুম্মৈ য়েংলগা লৈরমখিগনি। লোয়ননা কম্যুনিতি অমদা হায় কম্মান্দনা নাকোইননা তোংশিনবদগী মণিপুরদা চঙলক্লিবা সিফাইশিংনা ফোংনা শৌগৎপদগী হেন্দোক্লদুনা আর্মিগী হেলিকোপ্টর শীজিন্নদুনা লৈকিন্থবী সেকমাই এরিয়াদা বোম ফাওবা থাদদুনা মৈতৈ কম্যুনিতিদা এটেক তৌরক্লবরা চীংননীংঙাই ওইরক্লি। ১৮/১০/১৯৪৭তা আর্টিকেল ৩৬১/৩৬৩গী মতুংইন্না মর্জর এগ্রীমেন্ট সহি তৌনখিবা মরম লৈবনা ইন্দিয়া লৈঙাক্না কুকি হোমলেন্দ হেক্তা পীথোকপা য়াদে হায়না ভেটেরেন লিদর ওক্রম জয়না দিস্কসন অৱর ২২/০৭/২০২৩ থাংজ নুমিৎতা ময়েক শেংনা হায়খ্রে। মসিগী মতাংদা এসেমল্লি কৌদুনা খন্নফম থোকই হায়খ্রে।

হন্দক্কী চহীসিমদি ঐখোয়গী চীংখোঙ চীংয়াদা (পেরি ফেরিদদি) লৌ পাল্লগুমসি, পাল্লুরবসু নমৎ মাঙলগনি, লোক্লমদাইদা মৈ থাদোকখিগনি, লৌ য়ৈবা লোইশিল্লকপদা নোংমৈ কাপশিল্লক্তুনা ফৌ পূম্নমক পুখিগনি। মণিপুর লৈঙাক্না সিক্যুরিটি পীদুনা লৌ পানবা হৌনদে, সিক্যুরিটি পীবসু ওইথোক্লোই, তমথীনা ফৎত্রবা কুকি কম্যুনিতি অমসুং এক্সত্রিমিষ্টশিংনা ওভর পাৱর তৌদুনা সিক্যুরিটিদগী খূৎলায়শিং নমদুনা মুনখিগনি মতমদুদা লৌ উজরিবা মীয়াম পাক্তক্না অশি অনা, অশোক অপনশিংগী মীকপ মীরাওখোলতনা নীল্লগনি। হন্দক্কী কুমগী ওইনদি তম্পাক্কী লৌফমদগী লোকচবা ফৌদু য়েন্নদুনা চামিন্নরসি। কুকি এক্সত্রিমিষ্টশিং, লালহৌবশিংনা চীংথক্তা য়াল্লবা বঙ্কর শাদুনা লৈরিবশিংগা ঐখোয় লাস্থেংনদুনা ঐখোয় মৈতৈ কম্যুনিতিগী মমল য়াল্লবা থৱায়শিং মাঙহল্লগুমসি। বঙ্করদগী থোরক্তুনা তম্পাক্তা খূৎলায় পায়দুনা হেক কুমথরকপদা, য়ূম মৈশিং হেক থাগে তৌরকপদা মশীং য়াল্লবা ঐখোয় মৈতৈনা অখাক অরাওগুম্না লান্দাদুনা লমন শীংগদৌবনি, কুমথরকপা পূম্নমক অমত্তা খাক্তনা লোইশিনগদৌবনি হায়না হন্না হন্না নীংশিংজরি। ●